ꯍꯨꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN LANPAO

Saturday, May 20, 2017, Imphal



# চীফ মিনিষ্টরনা লুপা ক্রোর ২২৩৯ থক্লবা ঈশিংগীদমক্তা সেঙ্কসন তৌবীনবা তকশিল্লম্লে

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচএনএস) :
চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না প্রাইম মিনিষ্টরগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি নৃপেন্দ্র মিশ্রা ঙরাং উনদুনা মহাক্কী লৈঙাক্লা নুমিৎ ১০০ নিগী মনুংদা পাঙথোক্কদবা থবক থৌরমশিং খঙহনখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়া গবর্ণমেন্টনা পুখৎলকখিবা ইস্যু কয়াগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং পাউদমখ্রে।

ইম্ফালদা থক্লবা অফবা ঈশিং মপুং ফানা ফঙদবগী মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবা কয়া অদুগী মতাংদসু পুখৎতুনা কুপ্না খন্ন নৈনখি। ষ্টেট অসিগী অপুনবা মীশিংগী চাদা ৫০ অফবা থক্লবা ঈশিং ফঙবা ঙমদ্রি হায়বা ৱাফম পুখৎলদুনা মণিপুরগী থক্লবা ঈশিং মপুং ফানা ফঙহন্নবগীদমক লুপা ক্রোর ২২৩৯ গী শেনফম সেঙ্কসন তৌবীনবা চীফ মিনিষ্টরনা হায়জখি। শেনফম অদুগী মরী লৈনবা দি পি আর অথুবা মতমদা থারক্লবগী ৱাফমসু ফোঙদোক্লমখি।

চীফ মিনিষ্টরনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথকা উনদুনা মণিপুর ষ্টেটকী ওইনা আই আর বি বট্টালিয়ন ৪-৫ সেঙ্কসন তৌরক্লবগী ৱাফমসু তকশিল্লমখি। ঙসি চীফ মিনিষ্টরনা য়ুনিয়ন হ্যুমেন রিসোর্স দিভলপমেন্ট মিনিষ্টর প্রকাস জবদেকরগা উনদুনা মহাক্কী লৈঙাক্লা হৌজিক পায়খৎলিবা থবক থৌরম কয়াগী মরমদা পাউদমখি। ইন্দিরা গান্ধী নেসনেল ট্রাইবেল য়ুনিভর্সিটি রিজনেল সেন্তরবু ফুল ফ্লেজেদ য়ুনিভর্সিটি অমা ওইহন্নবা ৱাফম তকশিল্লন্বগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্কী য়ামদ্রবদা মোদেল স্কুল অমমম লীংখৎপীনবা ৱাফমসু খন্নখি।

মতুংদা চীফ মিনিষ্টরনা দোনর মিনিষ্ট্রিগী ইন-চার্জ মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ডা. জিতেন্দ্রগা উনদুনা লাক্লিবা সমর ভেকেসন অসিদগী দিল্লি ইম্ফালগী দাইরেক্ট ফ্লাইদ এয়র ইনি দয়ানা হৌহন্নবা মিনিষ্ট্রি ওফ সিভিল এভিয়েসনদা তকশিন্নবা ৱাফম পুখৎখি। অসিগুম্বা থৌওং অসিনা টুরিষ্ট/ইনভেষ্টরশিংবু লমদম অসিদা মীৎয়েং চিংশিনবতা নত্তনা দিল্লিদা মহে তল্লিবা মহৈরোয়শিংনা অথুবা মতমদা ময়ুমদা চৎথোক চৎশিন তৌবা ঙমহনগনি হায়খি।

মণিপুরদা এয়র দিস্পেন্সরি কম এম্বুলেন্স সর্ভিসকীদমক্তা লুপা ক্রোর ১০ এনসিলরি ফেসিলিটিশিংগী অমসুং লুপা ক্রোর ১২০ না হেলিকোপ্টর অনী লৈনবগীদমক্তা পুন্না লুপা ক্রোর ১৩০ ৱান টাইম ইনভেষ্টমেন্ট ওইনা পীবীনবগী ৱাফম খন্নবীনবা পুখৎলমখি।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা দোনর মিনিষ্টরদা ষ্টেট অসিগী ৱার্কিং সিজন য়াম্না তেনবা লৈরিবা অসিগী মতাংদা প্রোজেক্ট কয়া সেঙ্কসন তৌবীনবা অমসুং এন এল সী পি আরগী মখাদা ষ্টেট গবর্ণমেন্টনা কুমজা ২০১৬-১৭ গীদমক্তা পীখৎখিবা প্রোজেক্টশিং অদুগী ফন্দিং পীথবীনবা প্রাইওলিটি লিষ্টতা খন্নবীনবা তকশিনখি হায়না চীফ মিনিষ্টরগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি বিনিত জোসিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## জাপান্না তেঙবাংগদৌরি

ইম্ফাল, মে ১৯ (এজেন্সী) : য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট (ইন্দিপেন্দেন্ট চার্জ) দিভলপমেন্ট ওফ নোর্থ ইষ্টর্ন রিজন ডা. জিতেন্দ্র সিংহগা জপানিজ এমবেসেদর কেনজি হিরামতসুগা দিল্লিদা মীটিং অমা পাঙথোক্তুনা ৱারী শানবদা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেট অহুম অসাম, নাগালেন্দ অমসুং মণিপুরগী চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট খরদা জপান্না মতেং পাঙগনি হায়বগী থাজবা পীরকখ্রে হায়রি।

জপানিজ এমবেসেদর কেনজি হিরামতসুনা মীফম অদুদা ফোঙদোকখিবদা, নোর্থ ইষ্ট রিজন অসি পোটেন্সিয়েল য়াম্না লৈবা মফম ওইরি। ইন্দিয়া গবর্ণমেন্ট না নোর্থ ইষ্ট রিজনগী চাউখৎ থৌরাংগী থবক্তা মীৎয়েং চঙদুনা লাক্লি। ত্রেদ অমদি ওন্ত্রপ্রেন্যুয়রশিপ খক্তা নত্তনা রিজন অসিদা ইমোস্নেল লিঙ্কসু লৈ। মণিপুর অমদি নাগালেন্দদা অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতমদা জাপানিজ লান্মী ৩০,০০০ রোম লৈখিদে। বৃটিশ আর্মিগা লান্থেংনবদা জপানগী লান্মী কয়া লৈখিদে হায়বা ৱাফমসু থমখি। দোনর মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী জপানগী এমবেসেদরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমবু থাগৎপা ফোঙদোকখি হায়নসু মখা তারি।

## প্রিয়োকুমার তেক্ত কায়দনা থাদোকপীরক্লবা আপিল তৌরক্লি

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচএনএস) :
হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা হৈঙাং পান্থোইবী লম্পাক্তা লৈবা হিরোম প্রিয়োকুমার এলিয়জ য়াইমা (২৭) অপোকপা মনিচন্দ্র কৌবা মীওই অমা শকখঙদবশিংনা ফাখিবগী মায়োক্তা ঙসি হৈঙাং পান্থোইবী লম্পাক্তা মফম অদুগী মীয়াম্না মহাকপু তেক্ত কায়দনা থাদোকপীরক্লবা তকশিন দুনা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়ারিবা মীওই অমনা ফোঙদোরকপদা, থা অসিগী ১৭ কী নুমিৎয়ুংবা পুং ২.৩০ রোম তাবা মতমদা উরিপোক খোইস্নাম লৈকায়দা লৈবা রিয়েল ইমেজ ত্রেভেলসতা থবক তৌবা মীওইসি ফাখিবনি। হায়রিবা দুকান অসিগী শেল খরা এম জি এভেন্যুদা লৈবা এস বি আই বেঙ্কতা শেল দিপোজিট তৌরম্লগা থোক্লকপদা মহাক মশক খঙদবা মীওই খরনা ফারগা পুখিবনি। মহাক্না তোংখিবা প্লেজর অদুনা বেঙ্ক অদুগী মনাক্তা লৈরমখি হায়রি।

এস বি আই বেঙ্ককী সী সী টিভি কেমেরাদা প্রিয়োকুমার এলিয়জ য়াইমা অসি মীওই খরনা পুথোকখিবা অসি ময়েক শেংনা উই। থৌদোক অদুগী মতাংদা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনদা মহাক্কী অপোকপনা কমপ্লেন অমা তৌখ্রে। লোয়ননা ইমুং মনুংনসু মহাকপু থিবা য়াবা থিরবসু মফম খঙদনা লৈরি হায়রি। মহাক কনাগুম্বনা ফাজিন্দুনা থন্বীরবদি অথুবা মতমদা মীওইবগী মীনুংশি অমদি ইমুং মনুংগী অৱাবা য়েংবীদুনা অথুবা মতমদা থাদোকপীরক্ল বা আপিল তৌরক্লি।

ঙসিগী ৱাকৎ মীফম অদুদা প্রিয়োকুমার তেক্ত কায়দনা থাদোকপীরকউ, মীচম ফাবা য়ানিংদে, ইচাগী মরাল করিনো, মীওইবগী মীনুংশি য়েংদুনা মহাকপু তেক্ত কায়দনা থাদোকপীরকউ হায়বা প্লে কার্দ অমদি ফেষ্টুনদা ইদুনা থেৎখি।

## আধার লিঙ্ক তৌরগনি

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচ এন এস) : রিজর্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী লমজিং মখাদা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (এস বি আই) থৌবাল ব্রাঞ্চনা শীন্দুনা ব্রাঞ্চ অসিদা দিপোজিট বেঙ্ক একাউন্ত হাংলিবা কঞ্জুমরশিংগী বেঙ্ক একাউন্তগা মশা মশাগী আধারগা লিঙ্ক তৌবগী কেম্প অমা থা অসিগী ২০ দগী ২৩ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়রি।

কেম্প অসিদা একাউন্ত হোল্ডরশিংনা শরুক য়াবীয়ু হায়না ব্রাঞ্চ অসিগী মেনেজরনা প্রেসতা থোকপা চেরোল অমনা মখা তারি।

## লাইয়েকপা চাংদম্নখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচ এন এস) : হেদ ক্বার্টর আই জি আর সাউথকী মীৎয়েং মখাদা ২৯ শুবা অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা জৌপী ভিলেজদা দ্রোইং কম্পিটিসন পাঙথোকখ্রে হায়না আই জি আর সাউথকী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। তোঙান তোঙানবা চহী কাঙলুপকী অঙাং ২৫ রোম্না লাইয়েকপা চাংদম্নবা অদুদা শরুক য়াখি। লাইয়েকপা চাংদম্নবগী থিমনা মিলিটরি হায়বসিনি। লাইয়েকপা চাংদম্নবা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা-মথুমসু য়েস্থোকখ্রে হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

অমরোমদা আই জি আর সাউথনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হেদ ক্বার্টর আই জি আর সাউথ মন্ত্রিপুখ্রিদা ঙসি এন্টি টেররিজম দে পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা অসাম রাইফলসগী ওফিসর অমদি পর্সনেল কয়ানা শরুক য়াখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচএনএস) :
লিলোং হাওরৈবী কোলেজগী প্রিন্সিপাল ইন-চার্জ ওইনা পুরন্বা এম দি নুরুল অমিনবু থা অসিগী ১৬ তগী মণিপুর গবর্ণমেন্টনা লৌথোকখিববু লিলোং হাওরৈবী কোলেজ ষ্টুদেন্ট'সনা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি। অদুবু মসিনা ৱারোইশিন পুরকপদি য়ারোই। দিপার্টমেন্টেল ইনক্বারি তৌবীদ্রবদি মখা তাবা খোঙজং চঙশিনগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা লিলোং হাওরৈবী কোলেজ ষ্টুদেন্ট'স য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি মককমযুম অউরস কার্মীনা হায়খি, এম দি নুরুল অমিনবু কোলেজ অসিদা প্রিন্সিপাল ওইনা অমুক হন্না হাপ্পকপসু য়ারোই। মমাঙদা শেঞ্জা-থুমজাগী থৌদোকশিংদা চেন্নবদগী শেল শীংগৎহনখিবা মীশকনি। অদুবু মণিপুর গবর্ণমেন্টনা করপসন মুথৎনবা হোৎনরক্লিবা অসিদা মীৎয়েং থমদুনা মহাকপু লৌথোকপীরকপা অসিগীদমক এদ্যুকেসন মিনিষ্টর অমদি এদ্যুকেসনগী পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা ওল মণিপুর মুস্লিম ষ্টুদেন্ট'স ওর্গনাইজেসন অমদি মুস্লিম ষ্টুদেন্ট'স য়ুনিয়ন ওফ মণিপুরগী থৌ পুবশিংসু শরুক য়াখি।

## 'নমদুনা হায়হনখিবনি'

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচএনএস) :
জেনিমসকী এটেন্দেন্ট ওইরম্বা নোংথোম্বম রামেশ (৩৭) খুরাই থৌদাম লৈকায়দা লৈববু মীওই খরনা কিহল্লগা হায়হনখিবা ৱাফমদা য়ুম্ফম ওইরগা সস্পেন্দ তৌখিবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা রোমেশনা হায়খি, থা অসিগী ১৬ তা জেনিমসতা থবক কন্না চিল্লিঙৈ মতমদা মশক খঙদবা নুপা অমনা জেনিমসকী দিরেক্টরনা কৌই হায়দুনা দিরেক্টরগী কাদা পুশিনখি। দিরেক্টরগী কাদা মশক খঙদবা মীওই ৭/৮ মুক ফমদুনা লৈরম্মী অমসুং ঐঙোন্দা তোঙান-তোঙানবা ৱাহং কয়া হংখি অমদি মহাক্তি খঙদবনা খঙদে হায়না খুমখি। অনাবগী টি আর ককফম খঙদবা অদুদগী শেল পীশিল্লগা টি আর শীন্নখিবা খক্তনি। অনাবা মীওইদগী শেল লৌখি হায়রিবা ৱাফম অসি অরানবনি। শেল লৌখিবা লৈতে। দিরেক্টরগী কাদা লৈরম্বা মীওইশিং অদুনা কিহল্লগা হায়হনখিবা ৱাফম ঙাক্তনি।

দিরেক্টরগী কা অদুদা লৈরম্বা মশক খঙদবা মীওইশিং অদুনা ফোর্স শীজিন্নদুনা নমদুনা হায়হনখিবনি। ঐবু মখোয়না কনবীগনি হায়দুনা ৱাফমশিং অদু হায়হনখিবনি। হীরম অসিগী মতাংদা মরাল লৈতবা দোক্টর অমসু সস্পেন্দ তৌবীরে। ঐদি ইশাগী থৱায় হিংলগা লোইরে হায়না খনবদগী মখোয়না হায়য়ু হায়বশিং অদু হায়খিবতনি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী মতাংদা ...

*লামায় ১গী মখা...* ঐখোয় তুমিন্না লৈগদ্রা। নাগানি হায়জরিবশিং অসিদা ইন্দিয়া গবর্ণমেন্টনা করিগী লুম্না লৌরিবনো। মণিপুরদা লৈরিবা ইথনিক ফুরুপশিংবুনা করিগী য়েংদ্রিবনো। মণিপুরগী উখ্রুলদা পোকখিবা অমদি চাওখিবা মুইভানা এন এস সী এন (আই-এম) নি, নাগানি হায়না থোক্লগা লমদম অসিগী অমদি মীয়ামগী লন-থুম লৌনবা হোৎনরি। থাউ অমদি মিনরেলনচিংবা কয়া লৌনবা ইন্দিয়া গবর্ণমেন্টকী থৌশিলদা মণিপুর থুগায়নবা হোৎনরক্লি হায়না মরাল শীখি।

মালেমদা চৎনদ্রবা ইন্দিয়াদা ফাওবা চৎনদ্রবা ফুরুপকী লম য়েন্নবগী ৱাফম মণিপুরদা চথরক্লি। মণিপুরদা লৈরমদবা নাগা কয়া থোক্লক্তুনা মখোয়গী হিষ্টরি শেম্নবা হোৎনরি। নাগানি হায়জবা ফুরুপশিংগী নুংঙাইনবা ইন্দিয়া গবর্ণমেন্টনা অহেনবা থৌদাং লৌরক্লি। নাগাগী মেপ পুথোক্লবা হোৎনবদা খুন্দামিন্নরক্লবা ফুরুপশিংদা চৈথেং পীরি। হান্না পিছ টোক্কী ৱারী শানবদগী নরেন্দ্র মোদি গবর্ণমেন্ট লাকপদগী এন এস সী এন (আই-এম)গী ৱারোইশিন অথুবদা লোইশিনগনি হায়না কুমজা ২০১৬ কী ওগষ্ট ৩ দা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট সাইন তৌনখিবনি। য়াম্না য়ুনিক ওই হায়দুনা লোৎশিন্দুনা কনামত্তদা হায়দোক্তুনা থমখ্রে। মরম অদুনা কনা অমত্তনা খঙবা ঙমদ্রে। খঙদ্রবনিনা কনা অমত্তনা য়াই নৎত্রগা য়াদে হায়বা লৈত্রে। অদুবু তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা মখোয়গী কেম্প হাংদুনা মনিং তম্না শেল খোম্বা, হাৎপা-তুপ্পগী থবক চথরক্লি। মসি ৱিদাউট টেরিটোরিএল লিমিট হায়বসি লৌথোকখিবদগীনি। মতাং অসিদা ইন্দিয়া গবর্ণমেন্টনা দব্বল ষ্টেন্দর্দকী থৌওং চথৈ হায়বসি মণিপুরগী মীয়াম্না খঙলে হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টতা করিমত্তা য়াওদে। সেন্টেন্স অহুম খক্তনি হায়রি। মসিদা লৌথোকপসু য়াই, হাপচিনবসু য়াই হায়বনি। নিংখা তম্বা হায়বসি ময়ামদা লৈরি। ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী মনুংদা ৱারী শানগনি হায়বা য়াওরি। অদুবু মণিপুর কায়নবগী টাইম বোম অদুদি ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টনা ওইরে। মণিপুরগী পুৱারীগী খোঙ্গুল মুৎহন্ননবা হোৎনরক্লবদি ইন্দিয়া গবর্ণমেন্টকী মথক্তা জুন ১৮ দগী হেন্না শাথীবা থৌদোক লাক্কনি হায়না সুনিল করাম্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা ৱাই রতননা হায়খি, মণিপুরগী নাৎ অমসুং কলচরদা তৎন-থানবা য়াদনা লাক্লবা চীং-তমনি। মসিদা ইন্দিয়া গবর্ণমেন্টনা কায়নবা হোৎনবা চুম্লোই। দেমোক্রেসিগী মতম লাকপসিদা লৌ মপূ য়োংনা তানবগী ফীভমদা লৈরক্লে। কুমজা ২০২০গী মতমদগীদি ঐখোয় মীতৈ হায়বসি মশক উরক্তবসু য়াই। মরমদি, ঐখোয় চাননবা চীঞ্জাক্তা মীপান তাংলি। ঐখোয় পূনশিন্নদুনা ৱারেপ কয়া লৌদুনা চঙশিনবা চঙই। মথং চহীদদি নাগালেন্দ ষ্টেট এসেমব্লিগী মীখল পাঙথোক্লগনি। মসিদা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অদু পীরগনি হায়বা পোলিটিকেলগী ৱাফম লাক্লগনি। মসি চীং-তম পুন্না খঙমিন্নবা চঙই অমসুং এৱ্যেরনেস প্রোগ্রামশিং পাঙথোকপা তঙাইফদে। চাইনাদা ওপিয়ম ৱার থোকপদগী চাইনানা হৌগৎপা ঙমদনা মতম শাংনা মায়োক্লখিবদু ঐখোয়না নীংশিংবা চুমগনি।

## থাঙ-তা ফেষ্টিবেল পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, মে ১৯ : জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমীগা হুয়েন লাল্লোং মণিপুর থাঙ-তা এসোসিএসনগা পুন্না শীন্দুনা নুমিৎ নীনিগী ওইবা থাঙ-তাগী ফেষ্টিবেল অমা ইরিলবুংদা লৈবা হুয়েন লাল্লোং কমপ্লেক্সতা থা অসিগী ২০ অমসুং ২১ দা পাঙথোক্কদৌরি। জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমীগী দিরেক্টরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, নুমিৎ নীনি চুপ্পা চথগদবা থাঙ-তাগী ফেষ্টিবেল অসি হৌদোকপগী থৌরমদা এল রাধাকিশ্বর চেরমেন পোলুসন কন্ট্রোল বোর্দ অমসুং খাদি এন্দ ভিলেজ ইন্দষ্ট্রিজ বোর্দ মণিপুর, গুরু নোদিয়া মঙাং, থাঙ-তাগী শক্লাইরবা গুরু অসিনা চীফ গেষ্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াগনি। প্রো. ঐচ তোম্বী, ভাইস চেয়রমেন, জে এন এম দি এনা থৌরম অদু প্রিসাইদ তৌগনি। ফেষ্টিবেল অসি লৈখিদ্রবা গুরু জি গৌরকিশ্বর শর্ম্মা, সঙ্গীট নাটক একাদেমী এৱার্দী অমসুং পদ্মশ্রী অসিবু নীংশিংবা ওইনা মহাক্কী মিংদা কথোক্তুনা পাঙথোক্কদবনি।

## বোমগী এটেক্তা পার্সনেল ৪ ...

*লামায় ১গী মখা...* লৈকায়দগী এ কে মার্তিনষ্টার (৩২) অপোকপা এ কে কুমার কৌই হায়রি।

মখোয় মরিগী মনুংদা বিশ্বনাথ অমদি গৌরহরিনা ৬ শুবা এম আরদগী লাক্লগা হৌজিক্লা ইম্ফাল ইষ্ট কম্যান্দোদা এটেষ্ট তৌদুনা লৈবনি। অদুগা লালমিন্থাং মাতেনো পুলিসকী এস আইনি অদুগা মার্তিনষ্টারনা কন্সটেবল ওইনা লৈবনি হায়রি।

মখোয় মরিগী মনুংদা নাওরেম বিশ্বনাথ অমদি সরুংবম গৌরহরিগী ফিভম খরা লুরি। বিশ্বনাথনা য়েৎথংবা মীৎ, খৌরি শোকপদা নত্তনা নাকোংসু পঙলে হায়রি। গৌরহরিনা য়েৎথংবা পাম্বোম, কোক অমদি পুক্তা অশোক অপন নংখি হায়রি। লালমিন্থাং মাতেনো য়েৎথংবা পাম্বোম শোকপদা নত্তনা নাসু তাদ্রে হায়রি। এ কে মার্তিনষ্টারগীসু য়েৎথংবা পাম্বোম, য়েৎথংবা না অমদি পুক্নচিংবদা শোকপগা লোয়ননা তাবগী প্রোব্লেম খরা লৈরে হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায়, বোম পোকখায়বদা শোক্লবা পর্সনেল মরি অদুগী মনুংদা খরা থিনা শোক্লবা বিশ্বনাথ অমদি গৌরহরি অদু ক্বাথা অমদি খুদেংথাবীদা লৈবা অসাম রাইফলসনা মতেং পাঙবগা লোয়ননা খুদক্তা লান্মীগী হেলিকোপ্তর অমনা মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা আই জি আর সাউথকী কেম্পসতা পুরকখি। মতুংদা অম্বুলেন্স অমনা শিজ হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। লালমিন্থাং মাতে অমদি এ কে মার্তিনষ্টারনা বাই রোদতা পুরক্তুনা শিজ হোস্পিটালদা পুন্না লায়কন্নরি।

ঙসি বোমগী এটেক অদু কনানা চথবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। থৌদোক থোকফম অদুদা থৌবাল কম্যান্দো, তেংনৌপল এস পি, মোরেগী এদিস্নেল এস পি অমদি অসাম রাইফলস য়াওনা পাক শন্না থিবা হুম্বা চথখি অদুবু মীফা মীপুনদি য়াওখিদে।

শিজ হোস্পিটালদা লায়কন্নরিবা শোক্লবা কম্যান্দো পর্সনেলশিং অদু ৱার্ক্স, পাৱর, আই পি আর অমদি কমর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ মিনিষ্টর টিঐচ বিশ্বজিৎ, মাহুদ, টাউন প্লান্নিং, ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট, সোইল কঞ্জর্বেসনগী মিনিষ্টর টিঐচ শ্যামকুমার, মণিপুর পুলিসকী দিরেক্তর জেনরেল (দি জি পি) এল এম খৌতে অমদি আই জি পি (জোন টু) কাইলুন্নচিংবা লাক্তুনা অশোকপশিংগী ফিভম য়েংশিনখি। লোয়ননা টিঐচ বিশ্বজিৎ,টিঐচ শ্যামকুমার, এল এম খৌতেনচিংবনা শোক্লবা পর্সনেলশিংদা শেলগী মতেং পীখি।

পাউমীশিংগা উনবদা ৱার্ক্স মিনিষ্টর টিঐচ বিশ্বজিৎনা ফোঙদোকখিবদা, ক্বাথাদা বোম পোকখায়হন্দুনা অশোক অপন নংহনখিবা অদু কন্দেম তৌই। অদুবু শিবা য়াওহৌদবা অসিদি লায়বক ফবনি। পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি হোম পায়রিবা এল সুসিন্দ্রোগী অখন্নবা থৌরম অমগী মহাক মফম অদুদা চৎলুবনি। থৌদোক অদুদা বোম পোকখায়বদা অশোক অপন নংলবশিংদা খুদেংথাবী অমদি ক্বাথাদা লৈবা অসাম রাইফলসনা মতেং পাংবীরকখি। মখোয়গা ঐখোয়গা নুংঙাইনদবা লৈতত্রা খল্লি। ঐখোয় মীওই মশেন অসি হিংশাগী থবক অসি থাদোক্লগা চাউখৎ খোঙথাংগী লম্বীদা চঙশিল্লগদি হেন্না ফগনি। ওনরেবল সী এম অমদি সেনিয়র মিনিষ্টরশিং মপানদা লোয়না লৈখি। সী এম লাক্লগা থোকখিবা থৌদোক অদু খরা কুপ্পা থিদোক্লবা হোৎনগনি হায়খি।

নুমিদাংৱাইরম মাহুদ মিনিষ্টর শ্যামকুমারনা অশোকপশিং অদু য়েংশিল্লবা মতুংদা মহাক্লা ফোঙদোরকখিবদা, ঙসি ক্বাথা খুনদা থোকখিবা থৌদোক অদু টেররিষ্টকী থৌওংনি। মতুংদা অমুক হন্না চথবীগনু। লোয়ননা শোক্লবা কম্যান্দো পর্সনেলশিং অদু অথুবা মতমদা ফগৎলকপা ওইরসনু হায়রি।

মরকসিদা, পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি হোম পায়রিবা এল সুসিন্দ্রো এলিয়জ য়াইমনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসি ক্বাথা খুনগী থৌদোক অদু য়াম্না লাইবক থিবনি। অসিগুম্বা ক্বাথা খুনগী নোংপোক নিংথৌ পান্থোইবীগী লাইনিং লাইশোনগা মরী লৈননা লাই হরাওবগী থৌরমগা মরী লৈননা লাই খুরুম্বা চৎনরিবা অমদি য়াম্না পীক্লা তাবা মেন রোদতগী কিলোমিটর তরেৎলোম চঙলগা লৈবা খুননি। য়াম্না হিষ্টরিকেল ওইবা খুল অমসু ওইরিবনি। লাই হরাওরিবা অসি ক্বাথা খুনগী খুঞ্জাশিংনা লাকপীনবা হায়রকপদগী মহাক লাই খুরুম্বা চৎলুবনি।

ঙসিগী থৌদোক তৌবিরিবা ইচিন ইনাওশিংনা লাইনিং লাইশোনগা মরী লৈনবা থবক থৌরমদা তৌরিবা থৌওং অসি হান্না নুংঙাইতবা লৈরগসু পাউপীবা য়াবনি। মসি মতুংদা তৌহঞ্জনিংদে। অসিগুম্বা থবক অসি মতুংদা অমুক হন্না তৌবীগনু লোয়ননা মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা মতুংদা অমুক হন্না থোক্তবা ওইরসনু হায়খি।

## এন্টি রেবিজ ভেক্সিন

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচএনএস) :
জোইন্ট দিরেক্টর দিষ্ট্রিক্ট ভেটিরিনরি ওফিস ইম্ফাল ৱেষ্টকী লিচিং মখাদা য়ুথ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন কম লাইব্রেরী অৱাং সেকমাই ময়াই লম্বী অমদি সেকমাই ভেটিরিনরি হোস্পিটালগা খুৎশম্নদুনা ফ্রী এন্টি রেবিজ কেম্প অমা থা অসিগী ১৩ দগী ১৫ ফাওবা সেকমাই ময়াই লম্বী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা হূই ১২৪, হৌদোং ৭ হীদাক কাপথোকখি হায়না ৱাই দি ও সী এলগী চেরোলঅমনা হায়রি।

## ঈ দ্বিজমনি ...

*লামায় ১গী মখা...* এম এল এ তরুক, নাগা পীপলস ফ্রন্ট (এন পি এফ) কী এম এল এ মরি, নেসনেল পীপলস পার্টি (এন পি পি) গী এম এল এ মরি, ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ অমা অমসুং লোক জন শক্তি পার্টি (এল জে পি) গী এম এল এ অমা থারগা পুন্না এম এল এ ৩৮ লৈ। অদুগা ওপোজিসনদা লৈরিবা কোংগ্রেসকীনা এম এল এ ২২ খক্তমক ঙাইহৌরে। মীখলগী ফল লাউথোকপদদি কোংগ্রেসকী এম এল এ ২৮ লৈখিবনি।

লৈবাক অসিগী ষ্টেট খরদা পাঙথোকখিবা রাজ্য সভাগী মীখলদা এম এল এশিং মাগী-মাগী পার্টিগী মীরেপ্তা ভোট পীদবসু য়াওবনা মণিপুরদসু ক্রোস ভোট তৌরক্কদ্রা হায়বগী চিংনবা লৈ। পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসি সেক্রেট ভেলোটতা পাঙথোক্কদবা মরম্না কনা-কনা ক্রোস ভোট থাধনখিবগে হায়বা মশীং য়ামদ্রবদি খঙবা য়াম্না ৱাগল্লি হায়রি।

## চুড়াচান্দপুর ...

*লামায় ১গী মখা...* থৌওং অসি লাইবক থীবনি হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, তম্পাক্তা কাঙলুপকী খেন্নবা নাইদনা পুন্না লৈমিন্নবগুম অতৈ অতোপ্পা মফমশিংদসু পুন্না হিংমিন্নবদা করি অকায়বা লৈবগে। য়েক্লবনা খুদোংচাবা লৌদ্রিঙৈদা হায়রিবা ওর্গনাইজেসনশিং অদুনা ৱাখল তারকপা মথৌ তাই। মতম পুম্ন মক্তা খন্ন-নৈননবগীদমক য়ু সী এমনা থোঙ লাউনা হাংদোক্তুনা থল্লি। মতুং তারকপদা কনাগুম্বনা মিদিয়াদা মশাগী ৱাখল্লোন ফোঙদোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা পুন্না ফম্মিন্নদুনা খন্ন-নৈনবগী খুদোংচাবা লৌহন্নীংই।

মণিপুরগী অপূনবা শক্তম অমসুং ঙমখৈ ঙাক্লবগীদমক কখোল্লবা য়ু সী এমনা হেক হিংলিবমখৈদি থৌরাং অসি মখা তানা অদুমক লৌখৎখিগনি হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

## চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন ...

*লামায় ১গী মখা...* মিংদা চীফ মিনিষ্টর ফুটবোল কপ মণিপুরদা পাঙথোক্লনবা ষ্টেট লৈঙাক্লা ৱারেপ লৌখ্রে। ষ্টেট লৈঙাক্তা য়াওরিবা কেবিনেট মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিং অমদি মণিপুরগী এম পিশিংনা মখোয়-মখোয়গী কন্সটিট্যুয়েন্সিশিংদা ফুটবোল মশান্নবু য়োকখৎনবা হোৎনবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ফুটবোল বেল্লুন লোঞ্চ তৌবগী থৌরম অদু হৌদোকপদা শরুক য়াবগীদমক য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ভিজয় গোয়লনা থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা মহাক্লা হায়খি, মমাঙদা ইভেন্ট অসিবু হোষ্ট তৌননবা মণিপুরগী মায়কৈদগী এপ্রোচ তৌরকখিবা লৈখিদে। মরম অসিনা হন্দক্কী ফিফাগী কপ অসি ইম্ফালদা পাঙথোকপা খুদোংচাররোই। অদুমকপু মতুং তারকপশিংদদি ইম্ফালদসু ইভেন্ট অসি পাঙথোক্লনবা মীৎয়েং চঙগনি হায়নসু ফোঙদোকখি হায়রি।

## কোকতৈ থাউ, সাপোন, টুথ পেষ্ট ...

*লামায় ১গী মখা...* মখাদা লৈবা দিজলনা চেনবা গাড়ীশিংদনা চাদা ৩গী চাংদা টেক্স লৌরগনি হায়রি। অদুমওইনমক সী সী ১,৫০০ দগী হেনবা অমসুং এস য়ু ভিশিংদদি চাদা ১৫গী চাংদা টেক্স লৌগদৌরি। সী সী ৩৫০ দগী হেনবা মোটোর সাইকলশিংদা লৌগদবা টেক্সকী চাং চাদা ৩ ওইরগনি।

জি এস টি কাউন্সিলগী ১৪ শুবা মীফমনা লৌখিবা ৱারেপ মতুংইন্না পান মসালাগী টেক্স চাদা ৬০ ওইরগনি। টোবেক্কোগী ওইনদি চাদা ৭১ দগীনা চাদা ২০৪ ফাওবা ওইরগনি হায়রি। জর্দা অমসুং ফিল্টর খৈনীগী ওইনা চাদা ১৬০গী চাংদা টেক্স লৌগদৌরি। পান মসালা গুটখাগীদি চাদা ২০৪গী চাংদা টেক্স লৌরগনি হায়রি। হায়রিবা টেক্স অসি হান্নদগী লেপখ্রবা জি এস টিগী চাদা ২৮গী মথক্তা অহেনবা ওইনা লৌগদবনি। এম এম ৬৫ দগী হেন্না শাংদবা ফিল্টর য়াওবা অমসুং য়াওদবা চুরুটকী ওইনা মচৈ ১,০০০ দা লুপা ১,৫৯১ লৌবগা লোয়ননা চাদা ৫গী চাংদা টেক্স লৌরগনি। এম এম ৬৫ শাংবা অদুগা এম এম ৭০ য়ৌদবা ফিল্টর য়াওদবা চুরুটশিংগী ওইনদি মচৈ ১,০০০ দা লুপা ২,৮৭৬ লৌবগা লোয়ননা চাদা ৫গী চাংদা টেক্স লৌরগনি। সিগারগী ওইনদি মচৈ ১,০০০ দা লুপা ৪,১৭০ নৎত্রগনা চাদা ২১ (অনীগী মনুংদা অহেনবা অমা) লৌরগনি। ব্রান্দেদ গুটখাগী টেক্স চাদা ৭২, পাইপতা শীজিন্নবা স্মোকিং মিক্সচর অমসুং সিগরেটকী ওইনদি চাদা ২৯০গী চাংদা টেক্স লৌগদৌরি।

পাউমীশিংগা উনবা অমদা ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা হায়খি, তোঙান-তোঙানবা পোৎলমশিংদা লৌগদবা টেক্সকী চাং লেপথোকপা লোইখিবগা লোয়ননা সনা, খোঙউপ, ব্রান্দেদ আইটেম অমসুং বিড়ীনচিংবগী মতাংদা হয়েং টেক্সকী চাং লেপ্পগনি। পোৎলম খুদিংমক চাদা ৫, চাদা ১২, চাদা ১৮ অমসুং চাদা ২৮ হায়দুনা কাঙলূপ মরি থোক্লা খায়দোক্লগা টেক্স লৌবগী থৌওং চৎনগদৌরি।

ষ্টেট খরনা ইসেন্সিএল আইটেমগী মনুং চনবা পোৎলমশিংদা খ্বাইদগী য়ামদবা টেক্স লৌনবগী ৱাফম পুখৎলকখিবগা লোয়ননা জি এস টি কাউন্সিলনা গুদস এন্দ সার্ভিসেস টেক্সকী মখাদা তোঙান-তোঙানবা পোৎলম ১,২০০ দা লৌগদবা টেক্সকী চাং লেপথোকখি।

সিরিল অমদি শঙ্গোমদগী টেক্স লৌদবগা লোয়ননা চিনি, চা মনা, কোফী অমসুং অচাথাউদগী চাদা ৫গী চাংদা টেক্স লৌরগনি। কোইলাগী ওইনা চাদা ৫গী চাংদা টেক্স লৌবগা লোয়ননা টোন খুদিংগী লুপা ৪০০ লৌরগনি।

জি এস টিনা নেসনল সেলস টেক্স ওইহনবগা লোয়ননা হান্না চৎনরিবা সেন্ট্রেল টেক্স ৭, সার্ভিস টেক্স অমদি ভি এ টিনচিংবা ষ্টেট টেক্স ৯গী মহুৎ শীল্লগনি। মতৌ অসুম্না ইন্দিয়াবু 'ৱান মার্কেট, ৱান টেক্স রেট' ওইহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকখিবনি। জুলাই ১ দগী চৎনহনগদৌরিবা জি এস টিনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াসু মালেমগী অখন্নবা লৈবাক খরগী মনুং চনবা ওল্লগনি। মালেমদা খ্বাইদগী অহানবা ওইনা কুমজা ১৯৫৪ দা ফ্রান্সনা জি এস টি চৎনহনখি। মদুগী মতুং তারকপদা জর্ম্মনি, ইটলি, য়ুনাইটেদ কিংদম, সাউথ কোরিয়া, জপান, কেনাদা অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াদা জি এস টি চৎনহনখি। চাইনা অমসুং রসিয়াগী ওইনদি মথংশিংনা কুমজা ১৯৯৪ অমসুং কুমজা ১৯৯১ দা জি এস টি চৎনহনখি। সাউদি অরাবিয়াসু কুমজা ২০১৮ দা টেক্স রেজিম অসি চৎনহন্নবা থৌরাং তৌরি।

## থৌবালদা ফিশাবীশিংগী ওইবা কেম্প্যেইন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচএনএস) :
ইন্দিয়া গবর্ণমেন্টকী মিনিষ্ট্রি ওফ টেক্সটাইলনা মমাং চহীগী ওগষ্ট থাদা লোঞ্চ তৌখিবা হাতকরঘা সম্বরধন সাহায়াটা হায়বা থৌরমগী মখাদা ঙসি থৌবালগী এ সী টি সীগী হোলদা ফিশাবীশিংগী ওইবা কেম্প্যেইন অমা পাঙথোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ওফ টেক্সটাইলসগী মখাদা লৈবা ৱিভর সর্ভিস সেন্তর পোরোমপাৎনা শীন্দুনা পাঙথোকপা কেম্প অদুদা খাঙবোক এ সীগী এম এল এ ও. সুর্জকুমার, দিষ্ট্রিক্ট হেন্দলুম এন্দ টেক্সটাইল থৌবালগী প্রোজেক্ট মেনেজর সীঐচ তোম্বী অমসুং মণিপুর এপেক্স হেন্দলুম ৱিভর এন্দ হেন্দিক্রাফট আর্টিসিয়ন কোওপেরেটিব সোসাইটিগী ও এস দি ওইনা লৈরিবা কেঐচ তোম্বনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রিসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

এসিষ্টেন্ট দিরেক্তর সী রাজাসেখরন্না হাতকরঘা সম্বরধন সাহায়াটা স্কীম অসি ফিশাবীশিংগী ফিশাবদা চঙবা মচাকশিং পীরগা মখোয় মশানা মশাবু শেন্থোক লৈবা শিন্ফম অমা পায়খৎনবা স্কীমনি হায়খি।

চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা ও. সুর্জকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়া গবর্ণমেন্টনা ফিশাবীশিংগী পায়খৎলিবা স্কীমশিংগী মখাদা ফিশাবীশিংনা অনৌ অনৌবা পোথোক পুথোক্তুনা ঐখোয়গী ওইবা পোথোক ষ্টেট অসিখক্তা নত্তনা মপান লমদা থাদোক্লবা হোৎনসি হায়খি।

গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা কেঐচ তোম্বনা ফোঙদোকখিবদা, মতম অমদা ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা খরা চারগা পঙলে লৈরম্বা অদুগী মতমদু হৌজিক্তি নৎত্রে। হৌজিক্তি ঐখোয়গী ফিশাবীশিংনা স্কীম অসিগী কান্নবা অসি লৌদুনা ইশাগী শেন্থোক লৈনা হিংনবা হোৎনফম থোকই। শেল-থুমগী মীপান তাংদবা হায়বদু ওইহল্লসি হায়খি।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা শক্লাইরবা মীওই কয়ানা হীরম অসিগী মতাংদা ৱা ঙাংখি লোয়ননা ঙসিগী কেম্প অদুদা থৌবাল ব্লোক লেবেলগী হেন্দলুম ক্লষ্টরগী ফিশাবী ২০০ রোমনা শরুক য়াখি হায়রি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : থিংবাইজম মনিরোতোন সিংহ, জ্যোতিষ শাস্ত্রী, নাগামপাল পাওনম লৈকায়, ইম্ফাল।

তাং ২০-০৫-২০১৭, থাংজ, কালেনগী ২৪ নি পানবা, নুংথিলগী পুং ৬.১৭ দগী ২৫ পানবা চঙবা, যোগিনি মায়কৈদি নোংপোক, নুংথিলগী পুং ৬.১৭ দগী অৱাং।

**মেষ** ঃ মথক থোংবা মীওইদগী খঙহৌদনা কান্নজবা পীরকপা, লম কোয়বা চৎনিংলকপা পীগনি।
লাল্লোল ঃ মীনা শকখঙবীবা, চাউখৎপা লৈগনি।
পাখং-লৈশা ঃ তীন্নবা নুপীদগী কান্নজবা লাক্কনি।
হকচাং ঃ কোক, মায়দা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থোইদিং অমুবা, চা-চন্দন।

**বৃষ** ঃ কান্নজবা ফঙজবা, ইচা ইনাওগা মুক্লবা, ৱাখল মফাং মফাং খনগনি।
লাল্লোল ঃ মপানগী থবক্তা কান্নজগনি, চাউখৎপালে।
পাখং-লৈশা ঃ নিংজবা থুংগনি।
হকচাং ঃ পুক্তা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, শঙ্গোম।

**মিথুন** ঃ ইমুং মনুংদা নুংঙাইজবা পাউ লাকপা, লন লেপ্পা ঙম্বা, কান্নজবা লৈ।
লাল্লোল ঃ চাউখৎকনি, য়েক্লবা য়ামগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাখল লৈতাফম খঙলোই।
হকচাং ঃ মীৎ, মৈগী শহুম লৈ।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চীনি অঙাঙবা।

**কর্কট** ঃ লন চঙবা, মথক থোংবা মীগা শালনবা, অকাওবা পীবা মতাংনি, পুক্নিং ফাথবা ফৈ।
লাল্লোল ঃ অরঙবা পোৎ চৈদা কান্নজবা, থবক মফম চাউখৎপা লৈ।
পাখং-লৈশা ঃ নিংবা থুংগনি, লৈরাং লৈনম লৈগনি।
হকচাং ঃ খোঙদা নুংঙাইতবা লৈগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, শঙ্গোম।

**সিংহ** ঃ ইমুং লাংগনি, মখা থাবা মীগা শাওনবা, থবক মফমদা অয়েৎপা লাকপা লৈ।
লাল্লোল ঃ ঈশিংদগী পোথোক্তা চাওখৎকনি।
পাখং-লৈশা ঃ ইকাই নুংশি য়ান্নগনি।
হকচাং ঃ উনশাগা, অপাম অতং।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাঙবা।

**কন্যা**ঃ ইকাই নুংশি য়ান্নগনি, শেল চৎপা হেনবা, নুঙনাংবা পীবা মতাংনি।
লাল্লোল ঃ য়েক্লবা য়ামগনি।
পাখং-লৈশা ঃ মুক্লবা লাক্কনি।
হকচাং ঃ ঙক খৌরিদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ হিগোক, থোইদিং অঙৌবা।

**তুলা**ঃ ইচিল ইনাওদগী মুক্লবা পীরকপা, মথক থোংবা নুপীদগী কান্নজবা লাক্কনি।
লাল্লোল ঃ হীদাক্কী লল্লোন ঈতিক চানৈ।
পাখং-লৈশা ঃ মৈরিকপীদগী মৈজাওবী ওইরকপা।
হকচাং ঃ খোঙদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাঙবা।

**বৃশ্চিক** ঃ কান্নবা ৱাৎপা, শাওনিংবনা অকায়বা ওইরকপা, লমদা চৎপা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ মাঙবনা হেল্লি, চীঞ্জাক্কী থবক চানৈ।
পাখং-লৈশা ঃ অশাওবনা মাঙওইনৈ।
হকচাং ঃ শরু, শিংলিদা নুংঙাইতবা লৈগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থোইদিং অমুবা, লৈ অমুবা।

**ধনু** ঃ মচাক মরল লাক্কনি, তৌজরুবা থবক্তা কান্নজগনি, মীনা শন মান তৌবীবা নুংশিবীবা ওইগনি।
লাল্লোল ঃ অনৌবা থবক লাক্কনি, সনা লুপাগী থবক চাউখৎকনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাখল মান্নগনি।
হকচাং ঃ মীৎতা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, ঘী।

**মকর** ঃ মীনা পাউথোকপা, অরাপ্পা লমদা চৎপা, খোইশাওনবা পীবা ওইরি।
লাল্লোল ঃ থবক্তা অহোঙবা লাকপা, হীদাক্কী থবক চানৈ।
পাখং-লৈশা ঃ পুক্নিং লাংবা, ইকায়বা নংগনি।
হকচাং ঃ মচেক ময়া পানবগী শহুম লৈ।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থোইদিং অঙৌবা, লৈ হিগোক।

**কুম্ভ** ঃ য়েক্লবনা য়ামগনি, তৌজরুবা থবক্তা ময়োন চুম্বা লাক্কনি, চাউখৎপা ওইগনি।
লাল্লোল ঃ চাউখৎপা, হিদাক্কী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ চান্নবা হেনগনি, থাজনগনি।
হকচাং ঃ ঈশিং মরি নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাঙবা।

**মিন** ঃ মখা থাবা মীওইদগী ইকায়বা নঙবা, লমদা চৎপা লৈ। মুক্লবগী লম্বী লাক্কনি, পুক্নিং ফাথবীয়ু।
লাল্লোল ঃ অরুন অনান, সনাগী থবক কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাখল লাংতক্লগনি।
হকচাং ঃ ঙক খৌরি নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাঙবা।

কোকচনবা পোৎলমশিং ইশানা নীংবা ঈশ্বরদা কৎপীয়ু।
যোগিনী মায়কৈদা অমসুং য়েৎওইনবা মায়কৈদা যাত্রা তৌবা ফত্তে।

CAS Medical
An Institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi
Registration Open
ADVANCED
REGULAR MEDICAL COURSE
FOR NEET(U.G.)
FIRST BATCH
Registration Starts:- 13 May, 2017
Last Date of Registration :- 31st May, 2017
Class Commencing from :- 1st June, 2017
Special Feature:
* Authentic Study Materials from Enrichment, New Delhi
* Weekly, Monthly Tests along with Test Series and Mock Tests
* Medium of Teaching English
* Concession for first fifty (50) Students
* Free Studentship for Position Holders
* Special Concession for former CASIANS
* Concesssion for high scorer at previous NEET Examination
For Details Please Contact:-
CAS, Office, Main Building, Keishampat Junction ( Office Hour -5.00 am - 7.30 pm )
& New Building, Opposite Keishampat C.C. Pur Parking( Office Hour:10.30am - 4.30 pm )
Separate Hostels for BOYS and GIRLS Available.
HL-B/3830/24-4/24-5